ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯵, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯱꯸ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, ফেব্রুৱারী ১৫, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩১৮শুবা মশীং

## গভর্ণরগী হোৎনজমন

### মীপূম খুদিংমক্না তরাম্না ওকফম থোকই

মণিপুরগী তাঙ্কক অনীগী মীখল পাঙথোক্কদৌরে। নুমিৎ খরনিদা ঙাইশিল্লক্লে। অদুবু গভর্ণর লা গনেসনমা ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা মহৈরোয়শিং, মখোয়গী টিচিং অমসুং নন-টিচিং ষ্টাফশিংগা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী মতাংদা ইন্টরেক্সন পাঙথোকখিবা ফেব্রুৱারী ১১, ২০২২ ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা হীদাক কাপথোকখিবা মীওইশিংগী মশীং ২৬,১৩,৯৯৩ খক্তমক শুরি। অপূনবা হীদাক কাপথোকখ্রবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ফর্ষ্ট দোজ কাপথোকখিবনা মীওই ১৪,৭৭,৮৫৭নি। অদুগা সেকেন্দ দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১০,৮৯,০৯২নি। প্রিকোশ্নরি দোজ কাপথোক্লবা অপূনবা মীশিংনা ৪৭,০৪৪নি। হায়বদি গভর্ণরনা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রিবা নুমিৎসি ফাওবদা হেল্থ দিপার্টমেন্টতগী থোরকখিবা রিপোর্টনা পীরকখ্রিবা হীদাক কাপথোক্লবশিংগী মশীংদি পেন্থোকপা য়াবা চাং য়ৌদ্রি। নুমিৎসি ফাওবদা লৈখ্রিবা মশীংসি মণিপুরগী ওইনা ফর্ষ্ট দোজ কাপথোকপগী চাংনা চাদা ৬০.০৩ খক্তনি অদুগা সেকেন্দ দোজ কাপথোক্লবশিংগী চাংনা চাদা ৪৬.৫২ খক্তমক ওইরি। হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা লৈখ্রিবা হীদাক কাপথোকপগী চাংসিদি নীংবা কায়নীংঙাইনি হায়ববুদি থোইদোক্না লূমশিন্দ্রি। চপ চাবা ৱাহৈদি 'খুদোংথীনীংঙাই ওইরি' হায়গদবনি। মরমদি হীদাক কাপথোকপা খক্তনা অমত্তা ঙাইরবা পান্থে ওইরিবা ভেক্সিনেসনগী থবক অসিবু হৌজিক ইলেক্সনসু মাঙদা তাদুনা লৈরবা তাঞ্জাসিদা অহানবা দোজনা চাদা ৬০ রোমদমক কাপথোক্লগা সেকেন্দ দোজনা চাদা ৫০ য়ৌনা কাপথোক্ত্রি হায়বসিবু ওইহনগদবা অমসুং ওইহনফম থোকপা চাংলা হায়বনি। মসিদি চুমদে। লৈঙাক পায়রিবশিংনসু ভোটতা লোইনা ঙাওদুনা লৈথোকপা অচুম্বা খোঙথাং ওইরোই। গভর্ণরদি মহাক্না সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা মহৈশঙশিংগী হেদ মাষ্টর, হেদ মিষ্ট্রেসশিং, নন-টিচিং ষ্টাফশিংগা হকথেংননা অমসুং ভর্চ্যুএল মোদতা পাঙথোকখিবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুগী মমাঙদা কোভিদ ভেক্সিনেসনগীদমক খা-ৱাং থুংনবা চেল্লুরবনি। জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস), রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী ভেক্সিনেসন সেন্টরশিংদা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিল্লুবখক নত্তনা চুড়াচান্দপুরগী ভেক্সিনেসন সেন্টরশিং, মোইরাং ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম সেন্টরশিং য়েংশিল্লুরবনি। মখা মায়কৈগী চীং অমসুং তম্পাক্কী সেন্টরশিং অসিখক্তা নত্তনা সেনাপতি অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতসু চৎতুনা য়েংশিল্লুরবনি। সেন্টরশিং অদুদা মথৌ পাঙথোক্লিবা ডাক্টর, নর্স অমসুং ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিংগী পূক্নিং থৌগৎলুরবনি। মশাগী চহী ১৫দগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিং হীদাক কাপথোক্লবা থৌনা হাপ্লুরবনি। মীপূম তিংনা হীদাক কাপথোক্লবগীদমক মহৈরোয়শিংনা ভেক্সিনেসনগী মেসেঞ্জর ফাওবা ওইগদবনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখ্রবনি।

মণিপুরগী ভগর্ণরনা চোকথবা নাইদনা খা-ৱাং থুংনবা চৎতুনা হীদাক কাপথোকপা য়ারবা মীপূম খুদিংমক ভেক্সিনেসন তৌহৌনবগীদমক লৌখৎলক্লিবা থবকসি তঙাইফদবদগীনি, তৌদবা য়ারক্তবদগী মহাক মশামক হকথেংননা ইনভোল্ভ তৌদুনা চঙশিল্লকপা খোঙথাংনি। ফেব্রুৱারী ১১, ২০২২ ফাওবদা লৈখ্রিবা হীদাক কাপথোকপগী চাং অসিদদি তৌদবা য়ারক্তবদগী রাজ ভবনদগী ফুক-ফুক হৌগৎতুনা খা-ৱাং থুংনবা চেল্লক্লিবনি। মণিপুরগী গভর্ণর লা গনেশননা মণিপুর মীয়ামগীদমক হোৎনজরক্লিবশিং অসিগী হোৎনজমন লেম্না মাঙলোই অমসুং মীপূম খুদিংমক্না গভর্ণরবু তৌবীমল খঙবা উৎফম থোকই। থোইদোক-হেন্দোক্না হেল্থ সর্ভিসেস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা মহাক্না লৌখৎলক্লিবা থবকসিগী ৱাহন্থোক মশক মুন্না খঙগদবনি। গভর্ণরনা পাল্লিবসি য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপথোকপা য়ারবা মীওই পূম্নমক অমত্তা চিংখদনা খো-খোৎপা হীদাক কাপথোকপনি। মসিগীদমক খা-রাই খঙদনা চীংদা-তমদা লৈরিবা ভেক্সিনেসন সেন্টরশিংদা কোইচেন চেল্লকপনি। মরম অসিনা মরী লৈনরিবা অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিং, হেল্থ সর্ভিসেস, নেসনল হেল্থ মিসননচিংবগী ওফিসলশিংনা গভর্ণরনা হোৎনজরক্লিবসি অরেম্বদা তাহন্নবা হোৎনরোইদবনি। হান্নদগী হেন্না কোভিদ ভেক্সিনেসনগী থবক য়াঙশিনহনগদবনি। ফেব্রুৱারী ২৮ অমসুং মার্চ ৫দা তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোক্লগদবা মীখলগী মাঙওইননা চাদা ১০০ (সেন্ট পর্সন্টে) হীদাক কাপথোকপা ঙমলোইদবা ওইরবসু য়ারিবমখৈ ভেক্সিনেসন তৌহৌনবা হোৎনহৌগদবনি। মশ্বাইসি য়ৌরক্লবা মতমসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা মৌ অনৌবীনা ৱাই তৈবদা নোংম-নোংমগী পিকশিল্লকই হায়বগী ফীভমদু তাহনবা চুমদে। ফ্রন্ট লাইন ৱার্কর পূম্নমক ফংনীংলিবা পান্দম অদু য়ৌদ্রিবা ফাওবদি পাঙ্গল অমসুং থৌনা হল্লকখিনু। পোজি টিভপু ওইরবদি কো-মোর্বিদিটিজ থোকহনবা মীওইশিংদি অহানবা নৎত্রগা অনীশুবা দোজ কাপথোক্লবসু কলহৌবা ঙমহৌদে হায়বসিবুদি অচুম্বনি। অদুবু মসি ওই হায়দুনা হৌজিক ফাওবগী অমত্তা ঙাইরবা পান্থে ওইরিবা ভেক্সিনেসনগী থবক্তুদি থরেক-থরেক তৌবা চুমদে। ভেক্সিনেসনগী থবকসিদদি গভর্ণর লা গনেসননা ফংনীংলিবা পান্দম, ওইহন্নীংলিবা ফীভম অদুম্মক ওইহল্লক্লবা মরী লৈনবা মেছিন্নরি পূম্নমক্না অমত্তা ওইনা খূৎশম্নদুনা হোৎনফম থোকই। থবকসি মায় পাক্লগদি গভর্ণরদা তৌবীমল উৎপা চপ চানা থোক্কনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৫

১) *''চাউবী''* হায়বা ১৯৫৭তা অহানবা ওইনা ফোঙবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
২) **''কাউরবরা রাস শান্নবগী অহিংদো''** হায়বা দ্রামা অসি দ্রামা অহুমগী পূনশিনবা লাইরিক অমদা য়াওবনি। য়াওরিবা লাইরিক অদু মমিং করি কৌবগে অমসুং অইবনা কনানো?
৩) **''প্রল্লয়গী মৈরিরক্তগী''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৪) *''মণিপুর শ্রীগোবিন্দ নির্পণ (মৈতৈ পুরানগী ৱা)''* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
৫) *''শ্রী গোবিন্দলীলামৃত (মধ্যাহ্ন লীলা)''* (১৪ সর্গ ১৮ সর্গ) হায়বা লাইরিক অসি কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ভোটনা নকশিল্লকপসিদা উরকপা, থেংনরকপা খরা!

হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৯১

**জিতেন নামৈরাকপম**

মীনবু ইকায়বা হেক খঙলক্ত্রবা পান্থে লৈতে হায়বদুদা হেক মতারকই। থায়নগী অহল লমনশিংনা হায়বিরম্বা ৱাহে অমসু লৈ, মীয়াম্নসু অদুমক ঙাঙনরিবদুনি 'মী ফত্তবগী হীদাক লৈতে' মীনবু ফৎলরোই হায়না হেক ফৎত্রবা পান্থে শুকলৈ লৈতে। শেমদোকপা শুকয়া য়াররোইদবনি। মখোয়দুবু ইংরাজিদা 'ইনকোরিজিবল' কৌই। ইনকোরিজিবল হায়বদি 'দেট কান'ট বি করেক্টেদ' চুমথোকপা শুকয়া য়াররোইদবনি। হুই মমৈ কোনবগী ৱারীদুনি। ৱারী অমা লৈবদাইনে। হুইগী মমৈ অকোনবদু চুমথোকপা ঙম্বা মীওইদা মনা পীগনি হায়রে। মনা ফংনীংবা কাঙবুনা মাগী মাগী ঙমজবী থাক্তা অকোনবা হুইগী মমৈদু চুমথোক্লবা হোৎনৈ। থাওগা তৈরদনা শাংনা শাংনা শিৎ শিৎ নান্দুনা হোৎনৈ। মখূৎনা চুমদ্রিং পায়রগা চিংথোক্তুনা। পায়রিঙৈ ঙাইহাক্তুদি চুমদ্রিং চুল্লমই। অদুগা হেক থাদোকখিবদা হান্নগী ফীভমদা শৎ হেক্তা কোনশিনি-খবদো মদুনি। মদুবুনি চুমথোকপা শুকয়া য়াররোইদবা হায়নরিবসি। অসিগুম্বা মখলগী মীওই কয়া ওখাক য়াম্না মণিপুরদা লৈরে হায়বসি হন্দক্কী ফেব্রুৱারী ২৮দগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা বিধান সভাগী ইলেক্সন মাঙওইননা থোরক্লিবা ক্রাইম কয়া অসিনা তাক্লি। ভোটকীদমক্তা ঈরাং শাগৎনদুনা মীহাৎ মীপূন, য়েখাই থিনগাইবগী থবক চত্থরক্লিবসি হৌখিবা থা ৩/৪গী মমাঙদগী হৌরকখ্রবনি। ফনা য়াম্না খাম্মী য়াদে। ফনা য়াম্না শাওই মদুসু তাবীদে। রেদিওদা, টেলিভিজনদা, পাউচেদা করিদা তৌবা য়াবা তৌনখ্রে, হায়বা য়াবা হায়নখ্রে। অদুবু ঈরাংসি হন্থবদি লায়রদনা নোংম নোংমগী হেনগৎলকই। ঙসি ঙরাংদসু ফূবিরল্লে, নোংমৈ কাপশিল্লল্লে, বোম পোক-খায়হল্লল্লে, পোল্লিং বুথ থুগাইরল্লে, ফিরাল শেগাইরল্লে, থুদেক্লল্লে, পোষ্টর শেগায়রল্লে হায়বগী পাউতনা নাকোং শিংজা য়ৈরে। লমহেন-তুহেনবা ময়ামসিবু ফাজিল্লগা ইরোইশেম্বগী জুদা থম্বদি য়ারবজাৎনি হায়নীংই।

কেন্দিদেটকী টিম হায়গদ্রা, ৱার্কর হায়গদ্রা মখোয়না খৎন-চৈনবা, ফূবা, মীগী পোৎ চৈ থুগাইবা, মীহাৎ মীপূনদা অসুক্কী মতিক থৱায় য়াওরিবসি করিগীনো? মানা মানা চেল্লিবা কেন্দিদেট অদু পান্থে অমা তৌরগা নম্ফু হাফুদা ওইরবসু ভোটতি কাদবা শুকয়া য়াদে হায়বসিনি। চপ মান্নে অতোপ্পা রাইভেল কেন্দিদেট অদুগী ৱার্করশিংসু চপ মান্নে, মখোয়গীসু লাকপ্রা, ফোইব্রা, মুনব্রা কম্পলসরি কাদবা য়াদে হায়দনা জাৎ জাৎকী পান্থে শীজিন্নরকপদগী লান মচা মচা থোরকই। ৱার্করশিংনা থৱায় য়াওনা শিবা কিদবমখৈ হোৎনরিবসিসু অতৈ মরমগী নত্তে। মাগী কেন্দিদেট অদুনা ভোট কারগা ঠিকা খরা লৌহৌনবা, শেল খরা তালহৌনবা, মচা মশু, ইমুংগী নক্লবশিং থবক হাপহৌনবা, ভোট কাখিবগী চহী ৫গী টর্ম অদুদা নৈরগা শেল তালহৌবা, চাহৌ থকহৌনবা, গাড়ী ফজবা অমা লৈহৌনবা অসোমদনি চত্থনরক্লিবসি। অদুগীসু মথক্তা এম এল এগী চহী অমদা থাদরকপা লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দ লুপা ক্রোর ২ ৱার্দ ৱার্দতা, পোল্লিং ষ্টেসনশিং, লৈকায় লৈকায়গী শেম্বা দিভেলপমেন্ট কম্মিটিদা য়াওবা ৱার্করশিংদা শেল থাদরক্কনি। নালা কোৎপগী, দ্রেন চনবগী, রিটেনিং ৱাল চনবগী, পুখ্রিগী ফেন্সিং, সিড়ি হাপ্পগী, কম্যুনিতি হোল শাবা ফ্লোরিং তৌবগী, লৈকায়গী নাকচিদা খোংবাল মফমদা য়ুরিনেল শাবা, টোইলেট শাবগী পুখ্রি তৌবগী অকুৎপা থোনবগী, প্লেগ্রাউন্দ শেম্বগী, লৈকায়গী ক্লবকী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপগী, লম্বী থোং শেম্বগী, মখোয় ৱার্কর ৭/৮/১০ মুক ঠিকা লৌগদৌরিবনি। ৱার্ক ওর্দর য়াওবা য়াওদবা করোমদগী লাকপা ফগুনো খঙদবা, ঠিকা তৌরবনি হায়দুনা মখোয় মশেল পংহদা হরাওনগনি। ঠিকাদার অনৌবনি হায়দনা তৌরিবশিংদুনা পৈশা পায়দবা ঙাক্তা। শেন্দোই কাবীদা পুরুবনি হায়, সনা বনধান থল্লুবনি হায়দনা অরৈবা শেল শুংগৎনরগা থবক হৌরগা হিংজ্রোং কাইজ্রোংদা অদুম লোইশিনখ্রনি। মদুগীদি বিল ফংইগা ফংদেগা, মীগী শেল শিংবা কোন্নৈগা কোন্নদেগা তৌদনা মখোয় মশেল ফূনরগা লোইশিন্নখিবসু কোঙ্গাইনি।

মদুতবু তৌজগে হায়দনা শিবা নাবা কিদনা ভোট চেঞ্জরিবনি। অদুননি মখোয়গী ফ্লেগ-তু শেগায়রল্লবনি, থুদেক্লল্লবনি। পোষ্টরদু শেগায়রল্লবনি, ঐখোয় লৈকায়দা অতোপ্পা কেন্দিদেট অমত্তা চঙহল্লোই, ঐখোয় পোল্লিং ষ্টেসন্দা অতোপ্পা কেন্দিদেট অমগী এজেন্ট অমত্তা ফমহল্লোই, হৌদ হৌরকসনু ফূদৎকে, ঐখোয় ভোট চোল্লপ লোইনা লৌগনি, মরৈদা য়েৎলকসনু তৌগে য়েংউ - অসি ঙাক্তনি তৌনরিবসি। সিনবু কদাইদগী ফ্রী এন্দ ফ্যের ইলেক্সন ওইগনি। মসল পৱার, মনি পৱার, বোম পৱার, কান্ত্রুক পৱার মসোমদা হেক্তা চৎথনরকপনি। মদুগী কান্নববু করিনো? নহোয় মশেল শোক্নরগা, শিনরগা য়েক্লবা ওইনা লৈহৌগদবা মঙায়রে। মখোয় কেন্দিদেট মশেলদি ভোটপু কারো, কাহৌদবসু ওইসনু অদুমক অমত্তা ওইখিনি। চান্ন-চিন্ননা অদুম তিন্নখিনি। মতাং অসিদা থমজনীংবদি লৈবাক্কী, কেন্দ্রগী থৌগল তৌবীগে হায়না চোংথোকপীরক্লিবা কেন্দিদেটশিংনসু অদোম অদোমগী ৱার্কর, টিমমেটশিংবু খামজিনবীয়ু, নিংথিজনা ফম্মিন্নরগা তৌগদবা তৌরোইদবা থবকশিং শিন্নবীয়ু, এৱ্যেৰ্নেস নিংথিনা পীবিবগী মথৌ তারি হায়বা তাই। হুই অঙাওবদৌনা থাদোক্লগা অরৈ অরৈবা, লৈরম লৈরম্বা য়েক্লবা ওইনা উবশিংদা চিকহনবগী থবক তৌহনবীগনু, খামজিনবীয়ু হায়জনীংই। অয়ূক নুংথিল নুংদাং খঙদে, অহিং খঙদে, ক্রাইম তৌনবা চৎলিবা জুগোৎ চাখিদ্রবা ৱার্করশিং মণিপুর লৈঙাক্কী লো এন্দ ওর্দর পায়বীরিবা পুলিস পর্সনেলশিংসু মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপগী মমি তাবা উদবগুম তৌরি। মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসন পায়বিরিবশিংনা মথৌ নিংথিনা পাঙথোকহন্নীংবগী অপাম্বা লৈজৈ। মরাল লৈবশিংবু ফারগা নিংথৌনা ৱারক ৱাতেম তৌবীয়ু। আইনগী মতিক চাবা দন্দি পীবিয়ু। নৎত্রগদি য়াই য়াই হায়দুনা অসুম্মক থাদোক্লগদি উশিৎলরোই। হেন্না হেন্না ক্রাইম থোকহন্নবগী মচাক ওইহন্দনবা অকনবা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়জনীংই।

শোমদনা অমুক কমদৌবা! হন্দক মরক অসি ভোট থাদনগদবা মতম নকশিল্লকপা অসিদা ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম কন্না হেক পাঙথোক্নরক্লি। ফিরাল চিংখৎপা হায়রেদনা মী য়াম্বা তান্নবনি। ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম য়াওনবা কেন্দ্র কেন্দ্র অদুগী মায়কৈ কয়াদগী অথেনপোৎ হৈ, লৈ, মনা-মশিং, চেঙ কোম্পাক কোম্পাক কোকথোংনরগা য়াম্লবা মীয়াম থোমজিন্নরক্কনি। ফিরাল চিংখৎফমদা পৈরিবা অদুক য়াম্বা পোৎয়ামদু ৱার্দ ৱার্দকী নুপীশিংনা পৈশা পুথোক্তুনা লৈরগা পুরকপদি খরতনি। অয়াম্বদি কেন্দিদেটনা শেল পুথোক্লগা পোল্লিং ষ্টেসন অয়াম্বগী লৈকায় লৈকায়গী নিশা বন্দ, মৈরা পায়বীশিংনা ঙমজবী থাক্তা মী খোল্লগা পুরক্লবা শিন্নরম্বনি হায়না তাজৈ। মসিমকসু তৌদবা য়াদবা থবক অমা ওইরক্লি। অদুগীসু মথক্তা ফিরাল চিংখৎপা, মীটিং তৌবা য়াওবা লাক্লিবশিংদা লুপা ৫০০দগী লিশীং লিশীং য়েল্লি হায়নসু তাজৈ। মসিসু করম্না লাল্লি হায়রুগনি। অমরোমদসু নুপী অঙাং, ইমা ইবেলশিংসিসু ফনদি ৱাজরবজাৎনি হায়বা তাই। কেন্দিদেট অমগী থৌরম অমুক য়াওরু, অমগী অমুক নংনবা চেন মখোয়সু ফনদি ৱাজরবনি। হন্দক্কী ইলেক্সন ফেষ্টিবেল অসিদি য়াওশঙগী শেল খায়বা'মুক নুংঙাইবজাৎনি। নোংমগী খরচ, শেল ফংজবদা হরাওনরিবনি। হঙ্গাম, কোবি, আলু, হৱাইথরাক, মনা-মশিং খরা পুরগা সরক মতাইদা য়াইফৌ ফৌদুনা য়োল্লুদৌ শরুক ভোটকী শেলনা কান্নরে খন্নদুনা পোৎফম ফম্বা লেপ্পবা য়াওরেকসু হায়নরি, ঙাঙনরি। ভোট লেপ্পা কাইসিসু খ্বাইদগী চাউবা করবারনি। কাবু কাখ্রবদি শেল অসি ফজনা অদুম পেকখ্রগদবনি। অদুনবু শিগনি নাগনি কিদবমখৈ ভোট লেপ্পা থোক্নরক্লিবনি। খঙদ্রে, দ্রামা, লিলাগুম্বগী মরক অসিদা হিংগদবসি অসুম অসুম লুশিল্লক্লি। ●

## ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৫৬

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মালেমদা মপাল মরা তারবা অচৌবা লাইনীংশিংগীদি মালেমদা মখোয়গী নেটৱার্ক চাওই। শেল (ফন্দ) গী অৱাৎপা লৈতে, শন্দোক্লিংবা মফমদা শন্দোকহন্নবা মেনপৱার ৱাৎতে। ইন্দিয়াদা তোঙান তোঙানবা লাইনীং ময়াম লৈরিবসিগী মনুংদা হিন্দুইজম্না মকোকনি, মালেমগী থাক্তা ফাওবা চল্লিবনি হায়বা য়াই। ময়োল লৈঙাক অমদি মসা লৈঙাকশিং (ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিং) পান্দম মান্নবনা লমকোয়বশিংগী পূক্নিং চিংশিন্নবগী মীৎয়েংদা হিন্দুগী মরু ওইবা লাইফমলেনশিংদা লৈরিবা শঙলেন (মন্দির), অকোয়বদা লৈরিবা মফমশিং লুপা ক্রোর কয়া চঙনা শেমগৎপা খঙদবা-উদবা লৈতে। পাউচেদা অমদি রেদিওদা/টিভি চেনেলশিংদা পীবা পাউশিং অমদি পাউগা কোন্নবা শেমগৎ-শাগৎলিবগী শক্তমশিং উৎপদগী খঙনরিবমক্তনি। ৱাফমসি ৱাখলনা শাজিল্লগা হায়জিনবা/ইশিনবা নত্তে হায়বসি খঙদববু কনা লৈরমখিগদগে। মমাঙঙৈ নিংথৌনা পাম্বা নৎত্রগা য়োকখৎনীংবা লাইনীং অমা য়োকখৎনবা হোৎনবদা তৌনীংবতা তৌখিবদুগা মান্নবা মচৎশিং করিনো হায়বসি হৌজিক্কী খুন্নাইদা লাইরিক মতিক চানা হৈরবশিংনা হেন্না মরীক চুম্না খঙলবা পোৎনি হায়না থমজগে। মমাঙঙৈগীনা নিংথৌনা পাল্লিঙৈদা হৌজিক্না দেমোক্রেসিগী নিংথৌশিংনা পাল্লিঙৈদা - মখোঙ, মখূৎ পুনশিনবা, মমায় মমিৎ খুমজিল্লবা, মচিননা ৱা ঙাঙগদবদু ঙাঙহন্দনবা ফাজিন পুনশিন্দেদা খাক্লবা মতমসিদা অশিংবা কনানা মায়রোং য়ারুনি। মখোয়শিংদুসু মী অপংবশিংগী মনুং চন্দুনা লৈবা তাবনি।

খৃ: ১৭০৯-১৭৪৮দা পানখিবা মৈদিংঙু পামহৈবগী সনা হাক্তক্তা কংলৈপাক্কী মৈহৌরোলদগী চৎনরক্তুনা হৌজিক ফাওবা চৎনরিবা য়েকপু মীরমগী গোত্রনা মহুৎ শিলহল্লম্বসি কয়াম মরম চাদবগে হায়বা ইরায় লায়না খঙনবা কাখল মপাক (টেবল) ওইনা লমদমসিগী অইবশিংনা ইরম্বদগী খোমজিল্লবশিংদু খজিক্তং শেমদোক্লগা শল্লপ্পা মখাদা অসুম্না থমজরি।

নিংঙোম্বম চীংলেননা ইবা য়েক-সলাইরোন, হৌরকলোন ৱাকোক কৌবা লাইরিকসিগী চেমায় ৯১-৯৫ ফাওবদা মৈতৈগী য়েকতি মশীং ৭ তগী হেন্দে অদুবু য়েকপু গোত্রদা ওন্থোক্লবা হোৎনবদা অইবশিংনা হায়বদি ১) বি কুলচন্দ্র শর্ম্মনা ইবা 'মৈতৈগী লুহোংবা অমসুং লৌন লৈনবগী ৱায়েন ৱাখুন'; ২) রাজেন্দ্র শর্ম্ম ব্রহ্মাচারিগী 'য়েক সলাই'; ৩) অতোম্বাপু শর্ম্মনা ইবা 'মণিপুরী বিশ্বাভারতী পাখঙবা (অহানবা খন্ত'; ৪) য়েংখোম ভাগ্য মৈতৈনা ইবা 'থাককোক লমলেন অহানবা অমসুং মৈহৌরোন্দা'; ৫) হৌজিক হৌজিক বামোনশিংনা মৈতৈগী লুহোংবা অমসুং শিবগী থৌরম পাঙথোকপা মতমদা য়েকপু গোত্রদা শোনবদা শীজিন্নরিবা গোত্র, প্রবরা, প্রবরা মশিংশিংগী মরমদা ময়েক শেংনা ইদুনা য়াওরি।

মথক্তা পনখিবা (খোমজিনবা) লাইরিকশিংদা মান্নবা খরা মান্নদবা খরা য়াওবনা মৈতৈগী য়েক তরেৎতগী হেন্দবসি বি কুলচন্দ্র শর্ম্মগীদনা মশীং ৮; রাজেন্দ্র শর্ম্ম ব্রহ্মাচারিগীদনা মশীং ৯; অতোম্বাপু শর্ম্মগীদনা মশীং ৮; য়েংখোম ভাগ্য মৈতৈগীদনা মশীং ৫; বামোনশিংনা মৈতৈগী লুহোংবা অমসুং শিবগী থৌরম পাঙথোকপা মতাংদনা মশীং ১০ - হায়বদি 'গোত্রদা শোনবা অসি মানা মানা পাম্বা, অনীংবা অপাম্বগী মতুংইন্না শোনবা অসি চৎনবী ওইনা তৌরি হায়না নীংঙোম্বম চীংলেননা মশাগী ওইবা ৱাখল্লোন (মত) ফোঙদোকপসি চুমই হায়না ৱারেংজরিবা ইশানসু হায়জরি।'

চুমই হায়বগী মরমশিং ঙসিদগী হৌরগা অসুক শাংবা কুমজাশিং নম্ফু হাফুদা পংথহল্লগা থল্লম্বশিংগী মতাংদা পুন্না ৱাখল তামিন্নবা মখাদা অসুম্না থমজরি:-

১) খৃ: ৩৩-১৫৪দা কংলৈপাক্কী অহানবা মৈতিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবনা ফম্বাল তোংলমদাইদা য়েক্কী পিবাশিং শকখঙ মায়খঙনবা থিগৎলকপদা অশোয়বা মরম, পিবা কাংবা কয়া লৈরম্বদু অমুক নৌহৌনা পিবা হাপ্তুনা থৌপুহল্লম্বা য়েক তরেৎকী পিবাশিংগী মমিংশিং (য়েক্কী পুকোক্কী মমিংশিং) - কাখল মপাক (টেবল) কী ২শুবা অমসুং ৩শুবা কাখলশিংদা পীজরি( নিংঙোম্বম চীংলেনগী লাইরিক্কী চেমায় -৯৬)।

২) কংলৈপাক/মণিপুর কোন্না কৌরবা মতমদগী 'শ্রীশ্রীগোবিন্দজিগী সেবাগী মতাংদা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা পি এম বাকচির দাইরেক্টরি পাঞ্জিকা' গী মত মতুংইন্না চৎনরক্লি। (রাজ মন্ত্রি পাবা - তাং ১৩/৪/২০০৮গী চেমায় IV)

৩) সন ১৪২৮, পি এম বাকচির দাইরেক্টরী পাঞ্জিকাগীদা য়াওবা গোত্র প্রবর পালাদা মপূং ওইবা গোত্র মশীং ৪৯ পীবদা অহানবা ওইনা, অগষ্ট্য-অগষ্ট্য, দধীচি, জৈমিন অথবা অগষ্ট্য, দার্চ্যুত, ইস্মবাহ হায়না হৌরগা ৪৯শুবা সৌপায়ন- ঔর্ব, চ্যবন, ভাগর্ব, জামদগ্ন্য, আপ্লুবত হায়না মথং মনাও নাইনা লৈই অমনা চপ য়ুংনা চৈখল খারগা পীরি।

হায়বদি, নিংথৌ পাল্লিঙৈদগী পি এম বাকচির দাইরেক্টরি পাঞ্জিকা চৎনরক্লে হায়রগা খুদম ওইনা নৈমিষ, নৈমিষ্ট, মার্কেন্টয় অমসুং বাস্য হায়বনচিংবসি পাঞ্জিকাসিদা য়াওবা থেংনদে।

৪) মৈদিংঙু চন্দ্রকৃত্তিগী মতমদা ইরম্বা বামোন মৈহৌরোলগী মতুংইন্না মণিপুরদা লৈরিবা বামোনশিংগী গোত্র মশীং ১২নি। (য়েক-সলাইরোন হৌরকলোন ৱাকোক- চেমায় ৯৮)। চেমায়সিমক্তদা - মৈতৈগী য়েক্তি ৭ (তরেৎ) তগী হেন্দে, গোত্রগী মশীংদি অসুক্কী মশীং য়ামই। মৈতৈগী য়েক ৭ সি (২) খাবগা ঙানবগা খায়দোকহনবা/পুনশিনহনবা; (ii) চেংলৈগা লৈশাংথেমগা খায়দোক্লহনবা/পুনশিনহনবা, (iii) মোইরাংদনা - মোইরাং (অনৌবা/অমসুং মোইরাং (অরিবা); (iv অঙোমদনা অমুক - অঙোম (নহা) অমসুং অঙোম (পাখং) - হায়না তৌরগা পুনশিনহন্নিংবনা পুনশিনহনবা/খায়দোকহন্নীংলগনা খায়দোকহনবা য়েলহৌঙৈদগী লৈরকপা য়েক অসিবু মচেৎ মকায় তাহন্নবা শিনবসিসু ঐখোয় খ্বাই তরানা অমুক্তং কূপ্না খন্থমিন্নবা ফরোইদ্রা হায়না পাউজেঞ্জরি।

৫) লমদমসিদা হান্নদগী লৌন-লৈনবগী চৎনবীদি য়েক্তা ওইবনা চয়েৎনবা লৈতে হায়না লৌবা য়াই। অদুবু য়েকপু গোত্রদা ওল্লগা লৌন-লৈনবা তারবদি চয়েৎনবা কয়া অমা থোকহল্লকই। খুদম, অঙোম য়েকপু গৌতম হায়না লৌরবদি খরবু ফরে, অদুবু অঙোমবু গৌতম অমদি ভরদ্বাজ ওইনা লৌরবদি য়েক মান্নবনা লৌন-লৈনবা য়াদবসি, গোত্র তিন্নদ্রবনিনা লৌনবা য়াই হায়বা তারি। অঙোম য়েক্কী ভরদ্বাজনি হায়না লৌরবদি খাবা-ঙানবগা ভরদ্বাজ ওইবনা লৌনবা য়াদে হায়বসি য়েক থোক্নদবনা লৌন-লৈনবা য়াই হায়গনি। য়েক্তা চেংলৈ-লৈশাংথেম অমত্তা ওইবসি, চেংলৈবু বশিষ্ঠ গোত্র ওইহল্লগা লৈশাংথেম্লুনা অঙ্গিরম গোত্র ওইহনবনা গোত্র মান্নদবনা, লৌন-লৈনবা য়াদবসি য়াই হায়হন্দৌরি। গোত্রগী চৎনবীনা য়েক নামুংবা থোকহল্লি হায়বসি মথক্কীসিনা অদুম তাকচরবনি।

৬) ইশা ইশাগী য়ূমদা লাইনিংথৌ সনামহী, সলাইরেন শিদবা লাইনিংথৌ (উরেপ) অমদি তাইবঙপানবগী ইমারেল ওইরিবী ইমা লৈমরেল শিদবী অদুগা মপান্দনা ইবুধৌ পাখংবা অমদি অতৈ খোইয়ুম লাইনিংথৌশিং, খোইমোম লাইরেম্বীশিং, লাই নুপা নুপীশিংবু ঈরাৎ ঈশোন, থৌগল তৌজরিবা য়েক তরেৎকী চাদা নাউদা ওইবশিং, 'ঐখোয়গী য়েক মশেল লৌনবা য়াদববু য়াহনবনা' মরম ওইদুনা ইরমদমসিগী খুন্নাইদা 'ঈ/য়েক নামুংবা' থোকহনবসি থিংসি হায়রবদি য়েক তরেৎকী পুকোকশিংগী মমিংশিং খঙবগা লোয়ননা য়েক মচাশিং ওইবা ঐখোয়দি তোঙান তোঙানবা গোত্রশিংবু হৌদোকপা মখোয়গী মুনি/ঋষিশিংগী কৈদৌঙৈদা চাদা নাউদা শুকওই ওইরক্তে হায়বসি পূন্না খঙমিন্নবা য়েক্না-গোত্রগা শম্ননিংঙাই লৈতবা ৱারোলশিং শুপচিন্না মখাগী কাখল মপাক (টেবল) সিদা উৎচরি। ●